## য়ু এন এনভোইনা হমাসকী লুচিংবশিং উনখ্রে

গজা, জুন ১৬: ইজরেলগা উংখৎনবা হন্থহনবদা মতেং পাংনবগীদমক্তা য়ু এনগী মিদল ইষ্টকী এনভোই নিকোলাই ম্লাদিনোভনা গজদা ইস্লামিক হমাস মুভমেন্টকী লুচিংবশিংগা উনখ্রে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

য়ু এন এনভোই ম্লাদিনোভ ইজরেলদগী গজাদা থুংলখি অমসুং কুমজা ২০০৭ তগী হমাসনা পান্দুনা লাকখিবা গজা ষ্ট্রিপ্তা মুভমেন্ট অসিগী লুচিংবশিংগা উনখি হায়না সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা সোর্স কয়া পল্লদুনা ফোঙদোকখি।

মশক খঙদবা মিলিটেন্টশিংনা চথুরকখিবা রোকেট এটেক অনীগী পাউখুম ওইনা হৌখিবা য়ুমশকৈশাগী অহিং অমসুং শগোলশেল নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা ইজরেলি ৱার প্লেনশিংনা গজা ষ্ট্রিপকী নোংপোক অমসুং খা থংবা শরুকশিংদা লৈবা ফেসিলিটিশিং অমদি পোষ্টশিংদা এটেক কয়া চথুখিবনি।

রোকেট এটেকশিং অদু গজাদা বেজ তৌবা মিলিটেন্ট গ্রুপ অমত্তনা মখোয়গী খুৎনি হায়না ক্লেম তৌবা লৈখিদে। মহৌশাদগী পাঙথোক্তুনা লাকপা চয়োলগী ওইবা এন্টি-ইজরেল রেল্লিশিং পাঙথোকখিবা ইরাই নুমিত্তা ম্লাদিনোভনা গজাদা চত্তুনা মফম অদুদা লৈরিবা ফিভমশিং য়েংশিনখি।

## মালেমগী মতিক ময়াই লৈরবা লৈবাকশিংদা গল্ফকী ঈশিং লম্বী ঙাক শেন্নবা আপিল তৌখ্রে




দুবাই, জুন ১৬ (এজেন্সি):

মরু ওইবা সিপ্পিং চেনেল অমা ওইরিবা গল্ফ ওফ ওমানদা হৌখিবা চয়োলদা টেঙ্কর অনীদা এটেক চথুখিবা মতুংদা থাউ য়াওনা অতৈ লল্লোন-ইতিক্কী পোৎলম কয়া পুথোক-পুশিন তৌবগী মরু ওইরিবা ঈশিং লম্বী অদুদা ঙাকশেনগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপদা মতেং পাংনবা য়ুনাইটেদ অরাব এমিরেটস (য়ু এ ঈ) না মালেমগী মতিক ময়াই লৈরবা লৈবাকশিংদা তকশিনখ্রে।

ইন্টরনেসনল নেভিগেসন অমসুং ইনর্জি সপ্লাইগী থবকশিংদা অশোয়-অঙাম থোকহন্দনবা হোৎনবদা ইন্টরনেসনল কম্যুনিটিনা কোওপরেসন পীনগদবনি হায়না য়ু এ ঈগী ফোরেন মিনিষ্টর শৈখ অব্দুলাহ বিন ঝয়াদ নাহয়াননা থাংজ নুমিত্তা বলগেরিয়াদা পাঙথোকখিবা সম্মিট অমদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়খি।

জুন ১৩ দা নোর্ৱিজন মেগনেট জোন ফেদ্রিকসেননা কন্ট্রোল তৌবা সিপ্পিং কম্পেনি ফ্রন্টলাইন লিমিটেদকী ফ্রন্ট অলট্যের অমসুং জপানগী কোকুকা করেজস হায়রিবা ওইল টেঙ্কর অনী অসি গল্ফ ওফ ওমানদা মশক খঙদবশিংনা এটেক তৌখিবনি।

রসিয়ন নেসনল ১১ য়াওনা টেঙ্করশিং অদুগী ক্রু ৪৪ ইরানগী হিথাংফম সিটি জাস্কতা পুখি। য়ু এস অমদি লৈবাক কয়ানা এটেক অদুগী মতাংদা ইরানবু মরাল শীখি। হৌখিবা মেদা য়ু এ ঈগী সমুদ্র খোংবানগা নক্লনা কম্মর্সল ভেসেল মরিদা চথুখিবা মান্নবা এটেক্কী মতাংদা পল্লদুনা মিনিষ্টর অসিনা হায়খি মদুদি, এটেক অদুদা 'ষ্টেট স্পোন্সর' অমা চেন্নখি হায়না ফোঙদোকখি। তৌইগুম্বসুং অকক্ল বা লৈবাক মমিংদি পনখিদে।

হৌখিবা থাদা অহানবা এটেকশিং পাঙথোকখিবা মফমদুদা ওইল অমসুং সিপ্পিং ভেসেল ১৮৪ রোম গল্ফতা লৈখিবনি হায়না পল্লুদনা মিনিষ্টরনা হায়খি মদুদি, কম্মর্সল ভেসেলশিংদা এটেক কয়া চথুখিবা মফম অদু শেল-থুম অমদি জিওপোলিটিকেলকী ওইনা য়াম্না মরু ওইবা মরম্না অদুগগুম্বা এটেকশিং চথুদুনা অপনবা পীবা মতমদা মালেমগী থাউ সপ্লাইদা চাওনা অকায়বা লাকহনগনি। রিজনেল এক্টরশিংনা পুন্না খুৎশম্নবা থবক তৌমিন্নরবা মতমদা অশেংবা রিজনেল সিক্যুরিটি অমসুং ষ্টেবিলিটি লাক্কদবনি হায়খি।

## ফ্রেঞ্চ, মালিয়ন ফোর্সশিংগী ওপরেসন্দা মিলিটেন্ট ২০ হাৎখ্রে : মালি আর্মি

বমাকো, জুন ১৬ (এজেন্সি):

ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপনা ওপরেট তৌরিবা মালিগী অৱাং থংবা শরুক্তা ফ্রেঞ্চ অমসুং মালিয়নশিংগী অপুনবা ফোর্সেসনা চথুখিবা ওপরেসন অমদা মিলিটেন্ট ২০ হাৎখ্রে হায়না মালিয়ন মিলিটরিগী স্পোক্সমেন্না নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

মালিয়ন সিটি মেনেকাদগী পংথাপ থাপ্তুবা অমসুং নাইজরগী বোর্দর মনাক্তা লৈবা গেম রিজ ´ভ অমগী মনুং হঞ্জিনবা শরুক ওইরিবা অকাবর দিষ্ট্রিক্তা পাঙথোক্লিবা ওপরেসন অদু হৌজিকসু মখা তানা চথুরি হায়না আর্মি স্পোক্সমেন কনেল দায়রান কোনেনা টেলিফোনগী খুথাংদা ফোঙদোরকখি।

কুমজা ২০১২দা তারেগ কাঙলুপকী অচৌব ইহৌ অমা ইস্লামিক মিলিটেন্টশিংনা লাকহৎখিবদগী মালিদা মীশি-মীনাগী ইরাংশিং লেপ্তুনা হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা মথংগী চহীদা ইস্লামিষ্ট ফাইটরশিংবু তকথোক্লবগীদমক্তা ফান্সনা লৈবাক অদুদা মিলিটরি পাঙ্গল



শীজিন্নদুনা খুৎ থিংজিনখি। জিহাদিস ফেক্টসনশিং অমদি মখোয়গা মরী লৈনবা ক্রিমিনেল গেংশিংনা মখোয়-মশেল অমুক হন্না পুনশিন্নদুনা মালিগী মফম খরদা ওপরেট তৌখিবনি। মখোয়না মফমশিং অদুদগী অতৈ মফম কয়াদা এটেক কয়া চথুখি।

ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্টশিং অসি হৌজিক্তি য়ুমথংনরিবা বুর্কিনাফাসো অমসুং নাইজরগী মনুং হঞ্জিনবা মফম খরদসু চঙশিন্দুনা ওপরেট তৌবা হৌরক্লে হায়রি।

সাহেল লমদমদা থোক্লিবা হাৎন-শুনবগী ইরাংশিং লাকশিনবগীদমক্তা ফ্রেঞ্চ ট্রুপ ৪,৫০০ রোম দিপ্লোই তৌদুনা লৈরবসু মফম অদুগী সিক্যুরিটিগী ফিভমশিং মখা তানা কা হেন্না শোকচিল্লকখিবগা লোয়ননা ইস্লামিষ্টশিংনা লমদম অদুদা খুৎ থিংজিন্দুনা ইথনিক্কী লান অমা থোকহনখি। ফুলানি ইথনিক গ্রুপকী মীওইশিংনি হায়না থাজনবা এটেক্করশিং অদুনা হৌখিবা চয়োলদা ইথনিক দোগোন ভিলেজ সোবানে দাদা রেইদ চথুদুনা মীওই ৩৫ হাৎখিবনি।

## মাইগ্রেন্টশিং ময়ুমদা থাববুদি মেক্সিকোদা লৈবনা হেন্না পাল্লি




তাপাচুলা, জুন ১৬ (এজেন্সি):

সাউদর্ন মেক্সিকোগী অসাইলম ওফিস অমদা চে-চাং লৌনবগীদমক্তা পরেং লেংলিবা সেন্ট্রেল অমেরিকাদগী লাকখিবা মাইগ্রেন্ট কয়ানা করিগুম্বা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা মাইগ্রেন্টশিং লাকশিন্নবগীদমক্তা মিংদা হেন্না কনবা খোঙথাং কয়া লৌখৎলকপা তারবদি মখোয় য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা চৎনবগী থৌরাংশিং থাদোক্লগা মেক্সিকোদা ওইনা মখা তানা লৈবা পাম্মী হায়না ফোঙদোক্লখি হায়রি।

করিগুম্বা মেক্সিকান গভর্নমেন্টনা লৈবাক অসি ফাওরগা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা চৎনবা হোৎনরিবা মাইগ্রেন্টশিংবু লাকশিন্দবা তারবদি মেক্সিকোগী পোৎথোকশিংদা অহেনবা টারিফ কয়া চৎনহল্লগনি হায়না ট্রম্পনা কিহনখিবা মতুংদা ৱাশিংটনগা পুরকখিবা এগ্রীমেন্ট অমগী শরুক অমা ওইনা মেক্সিকোনা গুৱাটমালাগা তায়নবা লৈবাক অসিগী সাউদর্ন বোর্দরদা সিক্যুরিটিগী অহেনবা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎলক্লিবনি। ৱাশিংটনগা য়ানখিবা থৌরাং অদুগী শরুক অমা ওইনা মেক্সিকোনা বোর্দর অদুদা নেসনল গার্দকী মীওই ৬,০০০ দিপ্লোই তৌগনি হায়না থাজবা পীখিবনি।

মাইগ্রেন্ট কয়ানা চৎনরিবা বোর্দর মনাক্তা লৈবা সিটি অমা ওইরিবা তাপাচুলাদা লৈরিবা পাউমীশিংনা থাংজ নুমিত্তা মফম অদুদা নেসনল গার্দকী মেম্বরশিং দিপ্লোই তৌবগী খুদম চাংদম অমত্তা উবা ফংখিদে। য়ু এসনা প্রেসর কন্না পীবদগী মাইগ্রেন্টশিংবু মখোয়না পাল্লিবা য়ু এস অসাইলম ক্লেমশিংগী মতাংদা য়ু এস ওথোরিটিশিংনা পীরকপা ৱারেপ ঙাইরিঙৈদা তঙাইফদনা মেক্সিকোদা লৈহনগদবা হৌখিবা জন্যুৱারিদগী হৌখিবা প্রোগ্রাম অমবু হেন্না পাকথোক চাওথোকহনবগী ৱাফম মেক্সিকোনা য়ানিংবা উৎখ্রবনি। হৌজিক মেক্সিকান বোর্দর সিটি অসিদা রেফ্যুজি ওফিস অহুম হাংদুনা লৈরিবনি।

## সিরিয়ন ফোর্সেসনা টর্কিস আউটপোষ্টতা সেল কাপশিনখ্রে

ইষ্টাবুল, জুন ১৬ (এজেন্সি):

সিরিয়াগী ইদিলিব রিজন্দা লৈবা টর্কিস ওবজার্ভেসন পোষ্ট অমদা সিরিয়ন গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংনা কন্ট্রোল তৌবা মফম অমদগী মোর্টার অমসুং সেল কাপশিন্দুনা এটেক চথুরক্লে হায়না টর্কিস দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

এটেক অদুদা টর্কিস আউটপোষ্ট অদুদা তারিবা পর্সনেলশিংগী মরক্তা মীশি-মীনা অমত্তা থোকখিদে হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা মিনিষ্ট্রি অসিনা হায়খি মদুদি, সেল অমসুং মোর্টার এটেক অদুবু টর্কিস ফোর্সশিংনা অচৌবা খুৎলায়শিং শীজিন্নদুনা খুদক্তা খুৎ হনখি অমসুং থৌদোক অদুগী মতাংদা মোস্কোদসু ৱাকৎখ্রে। সেলিং অদু করম্বা মতমদা চথুখিবগে হায়বগী অকক্লবা মতম পনখিদ্রবসু এটেক অদু টাল বাঝান এরিয়া হায়না খঙনবা মফম অমদগী চথুরকখিবনি অমদি মদু অতম্লনা চথুরকখিবা এটেক্নি হায়না মিনিষ্ট্রি অসিনা মখা তাখি।

সিরিয়াগী সিভিল ৱার অদুদা রসিয়ানা সিরিয়াগী প্রসিদেন্ট বাসর অল-অসাদপু শৌগৎলিবনি অদুগা মতম শাংনা রেভেলশিংবু শৌগত্তুনা



লাকখিবা টর্কিনা মফম অদুদা লান লেপ্পবগী ট্রুস এগ্রীমেন্ট অমা কো-স্পোন্সর তৌখি। ট্রুস অদু হৌখিবা চহীদগী মফম অদুদা চৎনরকখিবনি। তৌইগুম্বসুং হৌখিবা থা খরা অসিদা দিল অদু মায়কৈ অনীমক্তগী থুগায়নখিবগা লোয়ননা মীচম লিশিং কয়া মফম অদু থাদোক্তুনা লাঞ্জেনখ্রবনি।

মমাংদা টর্কিস আউটপোষ্ট অমদা চথুখিবা এটেক অমগী মতাংদা শগোলশেল নুমিত্তা রসিয়া অমসুং সিরিয়ানা অমগা অমগা তাইওন্নবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লখি। টর্কিনা মমাংগী এটেক অদুগী মতাংদা সিরিয়ন গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংবু মরাল শীখি। তৌইগুম্বসুং মোস্কোনদি মদু অসাদকী য়েক্লবা ওইরিব সিরিয়ন রেবেলশিংনা পাঙথোকখিবনি হায়খি। হৌখিবা য়ুমশকৈশাদা রসিয়ানা ফোঙদোকখিবা অমদা মফম অদুদা সীজফায়র মপুং ফানা চৎনহন্দুনা লাকপনি হায়খি। তৌইগুম্বসুং টর্কিনদি রসিয়াগী ৱাফম অসিবু য়াখিদে।

## অমুবা ফিজোল শেৎপা মীওই লিশিং চা কয়ানা হোং কোংগী লিদর মফম থাদোক্লবা দিমান্দ তৌখ্রে

হোং কোং, জুন ১৬ (এজেন্সি):

চাইনাগী সেমি-ওটোনোমস সিটি হোং কোংদা শাংলবা চহী কয়ামরুমগী মনুংদা অহানবা থৌদোক ওইনা য়াম্লবা মীয়াম্না অকনবা প্রোটেষ্টশিং চথুরকখিবদা খাঙবা ঙমদদুনা সিটি অসিগী লুচিংবী ওইরিবী চীফ এগজিক্যুটিভ কেরি লাম এক্সট্রাদিসন বিল অমগা মরী লৈনবা থবক খুদিংমক লেপহনখ্রবা মতুং নোংমখক লৈরগা নোংমাইজিং নুমিত্তসু সেন্ট্রেল হোং কোংগী লম্বীশিংদা অমুবা ফিজোল শেৎপা মীওই লিশিং চা কয়া পুন্দুনা হোং কোং লুচিংবী অসিবু মফম থাদোক্লবা দিমান্দ তৌখ্রে।

চাওরবা রেল্লি অদুদা প্রোটেষ্টর খরনা পুখিবা বেনরশিংদা 'ঐখোয়দা নোংমৈ কাপকনু, ঐখোয় হোং কোং মচা ঙাক্তনি' হায়বা ৱারোলশিং থাখি। নোংমাইজিং নুমিৎকী অচৌবা দেমোনষ্ট্রেসন অদুদা



শরুক য়ারিবা মীয়াম্না হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা থোকখিবা অশোক-অপন কয়া য়াওখিবা ইরাং অমুক হঞ্জিনহন্দনবগীদমক্তা বেনরশিংদু পায়দুনা চৎখিবনি। মমাংগী অচৌবা প্রোটেষ্ট অদুদা পুলিসনা রবর বুলেট অমসুং ট্যির গ্যাস কাপ্তুনা মীওই কয়া অশোক অপন নংখিবনি।

নহা অমদি অহল শুনা য়াওরিবা য়াম্লবা প্রোটেষ্টরশিং অদুনা হোং কোংগী লিদর কেরি লামদা মখোয়গী পেন্দবা অমদি অশাওবা উৎনবগীদমক্তা অমুবা ফিজোল শেৎতুনা সিটি অদুগী ফাইনান্সিল সেন্টরদা লৈরিবা লম্বী পুম্বা পুংফুন ফুনখি। এক্তিভিষ্টশিংনা হোং কোংগী লিদর লামবু মফম থাদোকউ হায়না লাউস স্পীকরশিং শীজিন্নদুনা লাউখিবা মতমদা প্রোটেষ্টরশিংনা নিল খোংদুনা হরাওনখি। ক্রিমিনেলশিংনি হায়না চিংনবা মীওইশিংবু মেনলেন্দ চাইনাদা ৱায়েল মায়োক্লহন্নবগীদমক্তা থাবা য়াহনগদৌরিবা প্রপোজ লেজিসলেসন অদুগা মরী লৈনবা থবক খুদিংমক মতম কত্তুনা লেপ্পগনি হায়না কেরি লামনা থাংজ নুমিত্তা লাউথোকখিবদা বৈজিংনা ৱারেপ অদুবু শৌগৎখিবনি।

বিল অদুবু শুংশোয় শোয়দনা পাস তৌরগনি হায়না হান্না লাউথোকখ্রবা মতুংদা হোং কোং গভর্নমেন্টকী ফিরেপ খঙহোং হোংলকখিবা অসি সিটি অসিবু কুমজা ১৯৯৭দা বৃটেন্না চাইনাদা শীন্নখিবদগী হৌজিক ফাওবদা উবা ফংলিবা পোলিটিকেল ৱারেপশিং হন্দোকপগী থৌদোকশিংগী মনুংদা অমনি হায়না লৌনরি। খোঙথাং অসিনা সিটি অদুদা লামনা লৈঙাক্কী লুচিংবী ওইনা মখা তানা থবক তৌবা ঙমখিগদ্রা হায়বগী ৱাহং লাকহনখি।

## য়ু এস-টলিবান পিছ টোক দোহাদা মখা চথুরগনি

কাবুল, জুন ১৬ (এজেন্সি):

য়ু এস নিগোসিএটর অমসুং টালিবান মেম্বরশিংগী মরক্তা চথুরকখিবা পিছ টোক্কী ৭ শুবা রাওন্দ মথং চয়োলদা দোহাদা পাঙথোক্লগনি অমসুং মীফম অসিদা নাকল অনীনা হান্নদগী খন্নদুনা লাকপা মরু ওইবা ইশ্যু মরিগী মনুংদা অমা নৎত্রগা অনীদা য়ানবা অমা পুরক্লবা য়াই হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা সোর্সশিং পল্লদুনা হায়রি।

য়ু এসকী চীফ নিগোসিএটর ঝালমে খালিলঝাদ অমসুং টালিবান মেম্বরশিংগী মরক্তা মমাংদা চথুখিবা নিগোসিএসনশিংদা খন্নখিবা মরু ওইবা ইশ্যু মরি অদুদি অফঘানিষ্টানদগী য়ু এস ফোর্সশিং হন্দোকপা, কাউন্টর-টেররিজমগী থবকশিং পায়খৎকনি হায়বগী থাজবা পীবা, সীজফায়র অমা চৎনহনবা অমদি অফঘান গভর্নমেন্ট অমসুং টালিবানগী মরক্তা হকথেংননা ৱারী শান্নবা অসিনি।

দোহাদা পাঙথোক্কদৌরিবা নিগোসিএসনগী ইনৌ নৌবা রাওন্দ অসিদা টালিবান্দা খুদোংচাবা কয়া ওফর তৌরগনি হায়না হীরম অসিগী মতাংদা খঙবা সোর্সশিং অসিনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখি।

খালিলঝাদনা য়ু এস গভর্নমেন্টকী মহুৎ শীন্দুনা অফঘানিষ্টান্দা মরা তপ্পা ফিভম অমা লাকহন্নবা হোৎনবা হৌখিবদগী হৌখিবা থা ৭ লোম হেনবসিদা টালিবান এটেকশিং অমদি অতৈ মরম কয়াদগী নাকল অনীগী নিগোসিএসন্দা অয়েৎ-অপন কয়া থোকখি। অদুমওইনমক হৌখিবা মেদা পাঙথোকখিবা ইকোন কোনবা ৱারী শান্নবা অদুদা খালিলঝাদনা নিগোসিএসন অদু তপ্পলবসু তপ্না খুমাঙ চাওশিনবা ঙল্লে হায়না ফোঙদোকখিবনি।

## পোপ ফ্রান্সিসনা গল্ফতা পুক্নিং ফাথনবা আপিল তৌখ্রে

কমেরিনো, জুন ১৬ (এজেন্সি):

গল্ফ ওফ ওমানদা ওইল টেঙ্কর অনী এটেক তৌদুনা লমদমদুদা অচৌবা মুক্লবগী ফিভম অমা লাক্কদৌরিব্রা হায়বগী অকিবা হেনগৎহনখিবা মতুং নোংমাইজিং নুমিত্তা পোপ ফ্রান্সিসনা মিদল ইষ্টতা মরী লৈনবা খুদিংমক্লা পুক্নিং ফাথন্নদুনা উংখৎনবা হন্থহন্নবা আপিল তৌখ্রে।

সেন্ট্রেল ইটালিগী কুমজা ২০১৬ তা পরিং নাইনা থোকখিবা য়ুহা হাবগী থৌদোকশিংনা চাওনা অমাঙ অতা থোকহনখ্রবা সিটি অমগী খোঙচৎতা লৈরিবা ফ্রান্সিসনা এটেকশিং অদুগী মতুংদা ওইরক্লিবা ফিভম কয়ানা মহাকপু ৱাহল্লে হায়নসু ফোঙদোকখি। মিদল ইষ্টকী প্রোব্লেমশিং লৈখায় তাথোক্লবা মীপুম খুদিংমক্লা দিপ্লোমেসিগী খুৎলায় অসি শীজিনবা ঐহাক্লা আপিল তৌখি।

ওজা ABDUL HAK পু থাগৎপা ফোঙদোকচরি

কবিরাজ ওজা অবদুল হক্কী পাউতাক্কী মতুং ইন্না হীদাক চাবা অমদি তৈবা তৌজবদগী ঐঙোন্দা লৈরম্বা পাইলসকী প্রোব্লেমশিং খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী চেকখাইরগা ঈ য়াওবা, থুপ্পা, চিকপা, শাবা, অমাংথোঙদা ব্রি-ব্রি চৎপা, হাকৎচবা, কক-কক থিনবা, অমাংথোঙগী মনুং-মপান্দা পোম্বা, মচুম-তারগা চিকপা, গ্যাষ্ট্রিক খ্বাং নাবনি। অদুবু ৱাঙ্গৈই ষ্টেট বেঙ্ক অৱাং (পাঙন লৈরক) দা লায়েংবিরিবা ওজা কবিরাজ Abdul Hak, Contact No. 8794429681, 8014623756তা চৎতুনা লায়েংলুবদা ঐগী অনাবশিং মপূং ফানা ফজরে অমদি মপূং ফানা নুংঙাইজরে। ওজাবু পুন্সি শাংনা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইসনু হায়না মপুদা থৌনিজরি।

**ওজাগী লায়েংলিবা মফমশিংদি :-**

1. Wangoi SBI Awang (Fri. Sat. Sun., Mon. Tue.)
2. 7th MR Khabeisoi Gate, (Wed.-Thurs.)

HL-P/4323/17 *থাগৎচরিবা :* **L. Tomba,** Kyamgei Mamang Leikai

/ দ্রাইভর অমা পামজৈ

টাটা এরিস থৌবা হৈবা য়োৎ অমসুং সিমেন্ট চিংবগী দ্রাইভর অমা অথুবগী ওইনা পামজৈ। পাম্বীবা মীওইনা মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকপা য়াগনি।

HL-P/3025/16,17 **Contact No. 9774439717**

/ BANK PASS BOOK LOST

I have lost my SBI, Sugnu Branch Pass Book bearing A/C No. 30965785001 on the way between Pangantabi and Sugnu on 15/06/2019. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

**Sd/- Longjam Pradip Meitei**
Pangantabi, 7005104253

HL-P/3036/17

STUDY MBBS/MD
IN ABROAD

BANGLADESH, CHINA, KAZAKHSTAN, KRYGYSTAN, PHILIPPINES, GEORGIA SOUTH AMERICA, UKRAINE, RUSSIA

5th Gateway Abroad International Education Expo . On 16 & 17 June 2019 At Lamyanba Sanglen , Near City Convention Centre, Konung Mamang.

Admission for B.Sc. Nursing / GNM/ PBBSc./ Engineering/ B Pham.
Note: Enroll B.Sc. Nursing at Hyderabad @ Job Opportunity at Singapore

Special Coaching Classes for ANATOMY, BIOCHEMISTRY, PHYSIOLOGY, CHINESE AND BENGALI WILL START FROM 20 JUNE 2019.

Plz Contact : Atawar Rahman, A.S.EDUCATION TRUST (JR INTERNATIONAL EDUCATION CONSULTANT) Khergao Thambalkhong, Near old Cambridge School , Imphal East, Manipur.

Branch Office
M.G. Avenue Opp- Nirmala Hotel , Imphal West, Manipur.

Contact No: 8974084294,8415930785,9615706900, 8974249895

HL-B/5483/15-30june/1-14july

EARN AND LEARN

A Delhi based International Organization is looking for young, hardworking people.

An interview will be held in Classic Hotel Imphal.

Required: Fresher, 12 pass and above and good English

Please call at **8130445632** to fix your appointment

HL-B/5455/9,11,13,15,17,19,21

/ JOB FOR UNEMPLOYED

ক্লাস X, XII পাস তৌরবা অমদি Graduation তন্লিবা মীওইশিংদগী থবক কৌজরি। ইম্ফাল অমসুং মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংগী ওইগদবা হৌজিক-হৌজিকমক দরকার ওইরিবা অখন্নবা Official Post 51 (26 Male + 25 Female) গীদমক ওইগদবনি।

Age :- Below 30 yrs.
Income : Rs. 10,000/- to 30,000/- (PM)
Facilities : Fooding + Loding Available.
No Deposit Required

Apply তৌবীনীংবা মীওইশিংনা অথুবা মতমদা ইশাগী বাইও দাটাগা লোয়ননা পুং ১২দগী ৩ ফাওবগী মনুংদা ওফিসতা লাকপীয়ু।

HL-P/3032/17,19,21,25 **Contact : 8787501815 / 8414834122**

IN THE COURT OF ASST. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL

**Ref :- Mutation Case No. 274/AS&SO/TBL, dt: 13-06-2019**

1) Laishram Ibungo Singh S/o (Late) Sana Singh of Khangabok Maisnam Leikai.
2) -do- Dayachandra Singh S/o (Late) -do- of -do- *...Petitioner.*
*Deceased Pattadar*
Laishram Sana Singh S/o (L) Amubi Singh of Khangabok
*...Op. party.*

/ NOTICE
14/06/2019

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৩৩গী পাট্টা নং ২৬৮৭ (অরিবা), ২৩৩৯ (অনৌবা) গী দাগ নং ৩৮১৮গী হেক্তর .২১৮৫ চাউবা ইঙ্খোল অসিদা কো-পাট্টাদার নং ১শুবদা নামা পাল্লিবা শ্রী লাইশ্রম সনা সিংহ পী: মৃ: অমুবী সিংহ সাং খাঙবোক পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃত কো-পাট্টাদারগী মচাশিংনা মৃত পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা দাগকী অৱাং নোংপোক থংবদা হেক্তর .১০৯৩ চাউবা লমদা নামা পানবীরো হায়না মথক্কী কোর্ট অসিদা দরখাস্ত থারক্লে। মরম অসিনা কনাগুম্বা মৃত পাট্টাদারগী মচা-মশু, মরী-মতা অমদি ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা ওবজেক্সন তৌনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি গী মনুংদা মথক্কী কোর্ট অসিদা ওবজেক্সন তৌগদবনি নৎত্রবদি হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথগনি। তুংদা লাকপা ওবজেক্সন কোর্ট অসিনা লৌরোই।

HL-P/3896/17 *Sd/-* **Asstt. Survey & Settlement Office,** Thoubal